# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-02-2025)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি উত্তর প্রদেসকী প্রয়াগরাজতা পাঙথোক্লিবা মহা কুম্ভা মেলাদা শরুক য়াগনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-চহি ১৪৪ গী মনুংদা অমুক্তং লাকপা তাংলবা মহা কুম্ভা মেলাদা শরুক য়াবা ফংবা অসি য়ামা লাইবক ফবনি। মীয়ামনা মনিপুর অমসুং লৈবাক অসিবু শান্তি, নুংশি চান্নবা পুরকবা ঈশ্বরবু নীংজদুনা মেলা অসিদা শরুক য়ামীন্নবা মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি। মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংদুনা এম.এল.এ, মিনিস্তরশিংগা লোয়ননা ঙসি ত্রিভেনি শঙ্গমদা ইরুপ্পুনা লাই খুরুমগনি।

**ফিল্ম (এল)ঃ** অনিসুবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ২০২৫ ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হৌদোক্লগনি।

মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি অমসুং মণিপুর ষ্টেট ফিলম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটনা শিনবা হৌদোকপগী থৌরমদা হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন সিংহ, শকাইরবা ফিল্ম দিরেক্তর অরিবম শ্যাম শর্ম্মা অমসুং চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহ শরুক য়াগনি।

হৌদোকপগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ফিশারোল জগোই, কবুই জগোই, ফোল্ক ম্যুজিক প্রজেন্টেসন উৎকনি। মসিগী তুংদা নৌনা শেমদোক্লবা মণিপুরী ফিলম ইশানৌ, থিয়েটর মরি- মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি, তান্থা পোলিস, কিউমেক্স অমসুং চন্দ্রকৃতি ওদিতোরিয়ামদা উৎকনি। কুমশি চহিগী ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল অসিদা মপান লৈবাক্কী ফিলমশিং য়াওনা পুন্না ফিলম ৫৪ উৎকনি।

**কপ সিরফ (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিরিবাম জিলাগী লৈঙাংপোকপীদগী বোক্স ১৩ দা পুরম্বা কোদিয়ন ফোসফেট য়াওবা কপ সিরফ (ৰিন সরেক্স) বোট্টল লিশিং ১,৫৬০ ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- কপ সিরফ বোট্টলশিং অসি ত্রক অমদা পুরম্বনি। ত্রক অদুগী দ্রাইভরসু পুলিসনা ফাগৎলে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎলে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে টু অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি পুন্না ৪৮৯ ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

**গেমসঃ** ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা ঙসি মনিপুরগী টাইকুন্দোদা অহানবা রাউন্দ অমসুং বোক্সিংদা সেমি ফাইনেল শান্নগনি।

অচ্যারি টিম ফাইনেল রাউন্দনা হয়েং শান্নগনি। ঙরাংসু মনিপুরনা তোঙান তোঙানবা মশান্নদা শেঞ্জেংগী তকমান অনি লৌবা ঙমখি।

হৌজিক ফাওবদা মনিপুরনা সনাগী ১১, লুপাগী ১০, শেঞ্জেংগী ৭ পুন্না তকমান ২৮ ফংদুনা ৭ শুবা মফমদা লৈরি।

করনাতক্কানা সনাগী ২৮, লুপাগী ১১ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৫ পুন্না তকমান ৫৪ ফংদুনা অহানবা, সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্ডনা পুন্না তকমান ৪৬ ফংদুনা অনিশুবা অমসুং মধ্য প্রদেসনা তকমান ৩৪ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

**অমৃতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা অৱাং নোংপোক লমদম অসি চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি।

ত্রিপুরা সরকারনা লমদমদুগী মীয়ামদা এপোইন্টমেন্ট লেট্টর ২,৮০০ ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা মহাকা হায়-ত্রিপুরা

সরকারনা শেঞ্জা থুমজা য়াওদনা মীয়ামদা থবক পীরি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা নরেন্দ্র মোদি সরকারনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা য়ান্ন-ৱারোল অহুম সহি তৌনখ্রে। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা লালহৌবগী সমস্যা লোয়শিন্নবগীদমক্তা থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

**দোন্নরঃ** কেন্দ্রগী কম্যুনিকেসন অমসুং দোন্নর মন্ত্রি-জ্যোতি অদিত্য সিন্ধিয়ানা হায়রি-চহি ৬৫ অসিদা অহানবা ওইনা কেন্দ্র সরকারনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং চাউখৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। হৌখিবা চহি তরা অসিদা রেল, লম্বী অমসুং ইয়ার কন্নেক্তিভিতিগী খুদোংচাবা ফংহল্লে।

চেন্নাইদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সিন্ধেনা হায়-লাক্কদৌরিবা চহি তরা অসিদা লমদম অসিদা অহোংবা কয়া পুরক্কুনা মালেমদা মশক তাকবা হোৎনগনি। মহাকা হায়-লমদম অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক্তা কেন্দ্র সরকারনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিস্তর য়াওনা মিনিস্তর, এম.এল.এশিং দিল্লিদা থুংখিবা অমসুং দিল্লি বিধান সভা মীখল পাঙথোকখিবা অমসুং ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ মরিনি চথগদবা অনিশুবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সি.এম. বিরেন, এম.এল.এ, মিনিষ্টর তরেৎকা লোয়ননা দিল্লিদা থুংখ্রে, কুম্বা মেলা য়াওবা চৎপনি হায়জরবসু সেন্টরগী লুচিংবশিং উন্নরবা য়ারি হায়না সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট খরনা ৱেৱসাইটতা অরানবা ষ্টেট এমব্লেম শিন্নরে, নেসনেল এমব্লেম লান্না শিজিন্নবা থিংনবা হোম মিনিষ্ট্রিনা খঙহনখ্রে হায়না পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

দিসক্কালিফিকেসন কেসশিং মায়োকরিবা এম.এল.এ. মঙাগী লাইবক হয়েং চপ চানা খঙলগনি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

দিল্লি বিধান সভা মীখলগী ইগজিত পোলদা চহি ২০ মতুংদা বি.জে.পি. লাক্লবা য়াই হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

য়ানদ্রে, বি.জে.পি. মনুংদগী থাজদবগী মোসন পুখৎলক্তৌরি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

নুরুল হসন এন.পি.পিগী লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর খনখ্রে, ষ্টেটকী ইশুদদি পার্টিগী খেন্নবা থমদনা থবক তৌগনি হায়না এম.এল.এ. কে.-কে.ঐচ. লোকেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর ন্যুজগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২৫ ঙসিদগী হৌরগনি হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

এম.পি. বিমোলগী য়ুমদা আই.দি.পিশিং থোমজিনখে, ফম মুন্নবগী মতম নত্তে, ৱাথোক অসি অথুবদা লোয়শিন্নবা হোৎনৌ হায়না লাঞ্জেন্নরিবশিংনা তকশিনখিবা ৱাফম ঈচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

বি.জে.পিগী স্পোক্স পার্সন্না আর্টিকল ৩৫৫ চৎনরে হায়রক্লিবা অসি কংগ্রেসনা অঙকপা পোকই হায়না ফোংদোকখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এসেমব্লি সেসন মমাংদা অমৃত সাহনা মনিপুরগী চীফ মিনিস্তর অমদি অতৈ লুচিংবশিং উন্নরবা য়াই হায়বা পাউনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-বি.জে.পি. লুচিংবশিং দিল্লিদা পাইশিন্নখ্রে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

দিল্লি বিধান সভা মীখলগী ইগজিত পোলদা বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাক্লি হায়না তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।